# চাইনাগী সিচুৱান প্রোভিন্সতা য়ুহার হাবদা মীওই ১৫০ হেন্না শিখ্রে

*বৈজিং, এপ্রিল ২০ঃ* চাইনাগী খা-নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স সিচুৱানদা অকনবা মওংদা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক্তা মীওই কয়া অমা শিখ্রে অমদি মীওই চা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মেগ্নিচুদ ৬.৬ য়ৌনা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক অদুদা বিল্ডিং কয়া অমা অমাঙ-অতা থোকখি, লোয়নননা মৈ ফংখিদে। লুসান কাওন্টিগী লম্বী-সড়কশিংসু ফাওনবা য়াখিদ্রে। মীওই ১৫০ হেন্না শিখ্রে অদুগা চা কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল-শিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

রেস্ক্যুররশিংনা খ্বাইদগী শাথীনা অশোক অপন নংলবা এরিয়া অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরি। অফট-সোক অমদি লেন্দস্লাইদকী থৌ-দোকশিংসু থোক্লি। নীংশিংবা য়াবদি, ইং ২০০৮দা সিচুৱানদা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক্তা মীওই চা-কয়া শিখিবনি। খ্বাইদগী নৌহৌননা থোকখিবা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক অসি মেগ্নিচুদ ৭.০ য়ৌখি।

লোকেল টাইমদা অয়ুক্কী পুং ৮.০২ তাবা মতমদা য়ুহার হাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী শাংবা ওইনা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক থোকপা অসি থেংনখি হায়না দ্রোব্রোমির জাপ্রিনো কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

য়ুহার হাবগী ইপিসেন্টর অসি প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেল চেংদুদগী নোংচুপ পাংবদা কিলোমিটর ১১৫ রোম লাপ্না চৎলগা লৈ হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর *সি সি টি ভি* নদি অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অদু লুসানদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই অমনা চেন্নেল অমদা ফোঙদোক-খিবা ৱারোলগী মতুং ইন্না ঐখোয় হৌজিক অরিবা য়ুম অমদা লৈরি। অনৌবা য়ুম অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শেমজিন্দ্রি। ঐখোয়গী য়ুমশিং অদু নিংখায়দুনা অমাঙ-অতা থোক্লে হায়রি।

সর্ফেসতগী কিলোমিটর ১২ লূথবা জগাদা থোকখিবনি। মসিগী চাং অসি মরু ওইনা পংলু লুদবনা পাক-শন্না মাঙ-তাকপগী থৌদোক-শিং থোক্লিবনি। লুসানদা নোংথক্তগী য়েংথবা মতমদা নিংখায়রবা বিল্ডিং কয়া অমা উবা ফংলে। এরিয়া অদুদা মৈ ফংদ্রে, ঈশিং লৈত্রে অমদি টেলি-ফোন ফংদ্রে হায়রি।

চেংদুদা লৈবা মশীং য়াম্রবা মীওই কয়া অমনা য়ুহার হাবগী নিকপা অদু ফাওখি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বী সড়ক্তা কম্বলশিং পুথোক্তুনা চেন্থো-ক্লকখি। সিটি অদুদা লৈরিবা মীওইশিং চাউনা চমম্নবা পোকখি। ফিরোলশিং খরা অথুবা মতমদা লৌরবা মতুংদা চেন্থরকখি চেংদুগী রেসিদেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মীপূম খূদীংমক ঈ-পাউ ফাওন-নবা হোৎনবদা মদু খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। হৌজিক য়ুহার হাবগী থৌদোক অদুদা অৱাবা তারবা মীয়াম অদু মতেং পাংনবগীদমক্তা লান্মী ৬,০০০ থাজিনখ্রে।

প্রেমিয়র লী কেকিয়াংনসু সিচুৱানদা লৈরিবা ওপরেশন অদু য়েংশিন্নবগীদমক্তা চঙশিনখ্রে। হৌজিক অর্জেন্ট ওইরিবা ইস্যুদি য়ুহার হাখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা পুং ২৪গী মতম অসিদা হিংনবা হোৎনবনি। মসিদা মীওই কয়া অমদি য়ুমগী অতেক-অকায়না ননশিন্দুনা লৈরমগনি হায়না থাজনরিবনি হায়রি।